

“ঐখোয়গী পুন্সিদা নপশিল্লকই পার্টি ময়ামগী ভোতকী পোষ্টরশিং, ইশে শেগায়রদুনা নুংশিৎনা হুল্লকপদা উফুলগী মরক্তা ৱাহৈ অমতংফাও শম্নদনা পাইখৎলকই অসিয়াসিদা নঙ অমসুং ঐগী কোক্না চঙজরক্লি মফমসিদা।”

*—ইলাবন্ত য়ূম্নাম, আসাম*

## আনোক

**—ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী**

অমুবা আনোক উপ্পা
মশা নানবা টাই পুনবা নুপাদু
মাগী পীক্তকপা বেগতু
দ্রাইভরনা পায়রগা
কারগী মনীং সীটতা ফমখি
অঙৌবা গাড়ীদু জিরি জিরি চৎখি।

নাতোন মথক্তা আনোক্না তোংবদু পামজমনখিদুনা
আনোক অমা লৈরুই গল্লিদগী।
য়েংই হরাওনা মচু শঙলবা আনোক্তুদগী
ফজ ফজরবা চাউথোক্লবা পোৎশিং
খল্লি কয়াদা ফজরবা! কয়াদা নীংথিরবা!

লৈরকই ঙাশাংবু রৌনি খন্দুনা
থাঙতুপপু অচৌবা হৈনি নীংদুনা
হরাওরনি খল্লি য়ূমগী ইবেম্মনা
থোংনবা থাদরুই চাকখূম্মাঙদা।
খানা য়েংলকই য়ুম্বুরেম্বীনা
লংথোরকই ময়োমদু ৱাঙাঙদনা
প্রদাক লাউনা তারকই ঐগী খোঙ ময়াদা
অদুগা মখয়াৎ চীক্তুনা লাউরকই
“আনোক্তু, আনোক্তু”

আনোক্না কৈদৌরগে?
লৌথোক্তুনা য়েংই লৈরকপা পোৎতুদা
ইস! ইমাইপেম্মা করি মতৌনো?
রৌনা ঙাশাং ওইরম্লবা!
কার তোংখিবা নুপাদুনা উপ্পা আনোক্তুসু
অসুম্না তৌরমগদ্রা?

## অশিবগী চোইরোল

**— কে ঐচ দেবলা**

অমম্বা ঐগী পুন্সিনা,
থাসিগী অহিংদা পোত্থাজরি,
পুন্সি নহাকসে মঙলাল্লি,
মঙলান পুন্সি পুর্ণিমা,
কৈদৌঙৈনো লাক্কদবা ঐগী
অশিবনা লেপ্লিবা মফমদি
অশি লৈমায় কৌবনি
অশি লৈমায়থক্তা
লেপ্লিবা অকংবা পামেল,
নঙসু মঙলিব্রা লেপ্তুনা
বসন্তগী মঙ কয়া
অশিবনা অচংববু কলকচদুনা,
মঙলিবনি মঙ কয়া,
খৌরাংলি অহিংবা নোংলিক্তবু,
অশি হৈবোং ঐহাক্না
মালেম লৈনা ময়া লাওনা কাথোক্লদুনা,
কুমগী নোংলিক্তবু ঈখৌলাংজবা,
ইঙা ইঙেনগী নোংলিক্না,
পিবুক পেন্না পীথকপীখি,
মহৌশানা ইতন তন্দুনা
নোংমদোনগী লিক্লাবু খৌরাংখিবা,
চাইথরকখি মহৌশাগী লৈকোল থুংনা,
নোঙাল্লমদাই লিক্লাদো,
অহিংবা নোংহৌ হৌরক্লো
ঐগী অশি লৈমায়সিদা
কিস্থরক্লো অশি হৈবোং ঐগী পুন্সি তাওথনা,
করিগুম্বা কিস্থরক্লবদি ঐগী লৈমায়সিদা,
অহিংবা নোংলিক্তো
পোকচগনি ঐগী অনীশুবা মপোক
নোক্কনি নোকপা কাওখ্রবী চীনবানসিনা
অহিংবা নোংলিক্লক্তা।

## ইমা মণি

**— মোইরাংথেম ইনাও**

ইমা! নঙগী অনাবসিবু করিনো?
ডোক্টর, মাইবা, মাইবী পাঞ্জিনা
চয়োম শানা য়েংলবসু
শুকফৎ ফৎত্রেনে ইমা
এম এল এ, মন্ত্রি, ওফিসার কয়ানা
শদৌথোংখৈ সেবা তৌরসু
ইমা! হেনজল্লকইনে নঙগী অনাবা
মালেমসিগী অতৈ লৈবাক অমদা
ক্লব, ওর্গেনাইজেশন, লূপ
লৈত্রবনি মশীং য়াম্বা নহাক্কীগুম
লাউরিবসে তাদবরা
ইমাগীদমক পাম্নোম তিংনা
মৈরা পায়দুনা য়ারেক্লিনে
নমোম লাক্ষ লাক্ষনা
করিগী নমোন পীকথরিবনো
অহিংদা হৈশিংলবা কল্লবা সিফাই
পুলিস কম্মান্দো লিশীং লিশীং
নঙগীদমক মীকুপ নাহুম শিংলিনে
ইমা! মসিমক্তদা করিগীনো
নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা
এইদস, কেন্সরগী অরোইনা থাক্তগী
হেন্না তমথীবা অনৌবা লাংওল?
হোয়দা! ইমা নঙ শিরোদা
য়েংবা ঙমদ্রে নঙগী নতৌ
পোক্লকউ অমুক অনৌবা মপোক
যুগ অমগী লংদাইদা
অমম অঙান শিন্নবগী
শজিক থাবা লোৎলমদাই
নুংশিরবা পুংফমদা
মালেম গর্ভনুংদা নাওপুরগা
লাইজ থক্তা ঈ ফাওরকপদা
ঙাইরিবা পুম্নুম্বা থম্বালগুম
হল্লকউ লাকউ, অমত্তা লৈত্রবকান্দা
ঙসিগী মমা নুংশিবা শাবা মচাশিংসে।

## মীনুংশি

**— মাইবম কিরনবালা দেবী**

তাইবংপানবা মপুগী অশির্ববাদনি
মীওইবদা পীবিরম্লবাা মমল নাইদ্রবা
লন্নি মীনুংশি হায়বসি।
লায়রবা ইনাকখুনবা অচৌ পীশক খাইদনা
খ্বাই পুম্নমক্কী লন ওইনা লৈরম্লে
থৌজালদগী হেন্না মনুং চনশিল্লি
নৌবদগীসু হেন্না নৌরবা,
থোৎপদগীসু হেন্না থোৎলবা,
ওলাংথাগী মাকমৈদা শাৎপা
লৈরাং মালিকাদগীসু হেন্না থোৎলবা পুকচেলনি
‘মীনুংশি’।
ঐহাকপু নুংশিবা মীশক্তা
ঐনসু নুংশিবা ঙম্মি।
তোল্ল-তারববু নুংশিবা
পুম্নমক্কী অথোইবা গুণনি মীনুংশি
নোংনা মমখ্রবা অহিংদা
নোংথাংকুপ্পনা লম্মাংনরবা
লংফৈ চৎপা মীদা কান্নবগুম্বনি
মীনুংশি হায়বসি।

## ঈশৈ -১

### নোকখি ইরৈবাক্কী য়াইফনবা

নোকখি ইরৈবাক্কী য়াইফনবা লানফমদা
হোৎনখি তুংগী মীরোল কন্নবা
থেংনখি খূৎলাই য়াওদনা য়েক্নবশিং
পুরকখি নীংতম্বা থৌনাগী পাম্বৈতনা।

‘নুপীলান’ কাউঙমদ্রবা পুৱারী ওইহৌরে
মপু শাবা মনাই কয়াগী মচৎতা
ইকায় ফিরুক খুমখিবনি খুন্নাইসিনা
কোকহনখিবনি ইমাশিংনা পুম্নমক।

মুথৎপা ঙল্লরোই সনাগী ময়েক
লৈহৌরগনি মীওইবা খুন্নাইনা লৈরিঙৈ
মীকপ থোক্লো মীতৈ নোংশাশিং
ঙাইরগুমসি কৌরকপা ইরৈবাক্না।।

*শৈরেংবা : ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম*
*শৈশকপা : অঙোম রোবিন্দ্রো*

## ঈশৈ -২

### নঙবু কাউবা ঙম্নবা

নঙবু কাউবা ঙম্নবা
পেন্থোকপা তম্লগে পুন্সিসে,
অৱাবা খোঙফম ওইরসু
চীনবান্দদি মোমোন্তা নোক্লগে ঐ।

নঙগী লাইবক্তা তম্লমদ্রবদা
তম্লম্নি করম্না ঐগী লাইবক্তা
কপ্ন-কপ্না কায়নখি হায়দনবা
নঙবু ৱারৌবদি উৎলম্লরোই।

নঙ খক্তনি থাজরুবা
কনাগী ৱাখল লৈতনা,
কায়হল্লম্লে থম্মোয়বু মচেৎ তানা
নঙগী মঙলান্দা তাউরুবা ঐসে।।

*শৈরেংবা : থিংবাইজম স্বারনকুমার*
*শৈশকপা : খুন্দ্রাকপম জিবন*

**ঙসি ফেব্রুৱারী ২১ অসি ইন্টরনেসনেল মাডর লেঙ্গোইজ দে (মালেমগী ইমালোনগী নুমিৎ)নি। নুমিৎ অসিদা ঐখোয়সু ইমালোনগীদমক তৌফম থোকপশিং অদু নৌহৌননা নীংশিংমিন্নদুনা হেন্না চেৎশিনবা ফিরেপ কয়া লৌফম থোকই। পাক-চাউরবা মালেম অসিদা ঐখোয়না ইমালোনগীদমক চাউথোকচবা ঙম্বগী নুমিৎ অদু লৌমিন্ননবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি।**

*— হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন*

# অশিবদো হিংলবকো

## (লমদমসিগী অশোইবা কয়া থিন্দুনা তাক্লিবা খোঞ্জেল লীলাশিং)




| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ অশিবদো হিংলবকো |
| মখল | ঃ খোঞ্জেল লীলা |
| অইবা | ঃ রেবতি শর্ম্মা |
| ফোঙবা চহী | ঃ২০১৩ |
| লামায় | ঃ ১২৮ + XII |
| অফোঙবা | ঃ পুখ্রম্বম ওংবী ইবেম্মা অমদি তখেল্লম্বম ওংবী শান্তিবালানা এল দি এম আর্ট সেন্টর, ইম্ফালগীদমক |
| মমল | ঃ লু: ১৫০/- |
| ফংফম | ঃ ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দুকানশিং অমদি অইবগী য়ূম, থাঙ্গপাৎ বামোন লৈকায়, ইম্ফাল |

**পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা**

**হৌজিক** অসিমক দ্রামাগী পুৱারী য়েংলুরবদি ‘থিএটর ওফ এবর্সদ’ হায়বদুগী মতমনি। ৱারী অমা, লমচৎ অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা নুংশিনবগী মহুত্তা মীওইবগী কোক্তা, থম্মোয়দা য়ৈগনবা লীলা খূৎই, খুৎফোঙদোক ইনরবা মতমনি। এবর্সদ প্লে অমা হায়বসিদি য়েংলগা, তারগা হেন্না ফজবা, ৱাহন্থোক লৈবা অদুগা পারুরবদি করিসু ওইদবা খূৎই মখল অমনি। কুমজা ১৯৫৩দা আইরিস প্লেরাইট সেম্যুএল বেক্কেটনা মাগী এবর্দস প্লে *ৱেটিং ফোর গোদোট* পুথোক্লকপদা মালেম অসি পূম্নাং লাঙখ্রবনি। মসিবু দ্রামারনে হায়নফাও হায়নখ্রবনি। অদুবু লীলাদুগী নুংগী ৱাহন্থোক লৈবনা লীলাদু অহানবা ফোঙবদগী ৪০০রক লেপ্তুনা ফ্রান্সকী থিএটর দি বেবিলোন হায়বদুদা উৎপা ফংখি। মদুনসু লোইশিনবা য়াদ্রদুনা পেরিসকী অতোপ্পা থিএটর অমদা মখা তানা উৎথখি। কয়াদা মঙাল লৈখ্রবা লীলা অমনো। অদুবু ৱারীদি গোদোট কৌবা মীওই অমা লাকখিনি হায়দুনা ঙাইখৈ ঙাইরগা লাকখিদবগী ৱারীনি। মতাংসিদা পনবা য়াবা অমদি ফ্রেঞ্চ লোন্দা ইহান হান্না ইবা, মথংদা অইবা মশানা ইংরাজিদা হন্দোকখিবা লীলা অদুগী অমেরিকাদা ইহান হান্না উৎপগী ডাইরেক্টর ওইখিবা এলান স্নৈদর হায়বদুনা বেক্কেট মশাদা হংখি, “ গোদোট হায়রিসিবু কনানো?” মদুদা বেক্কেট মশামক্না খুমখি, “ঐসু মাবু খঙলম্লবদি ঐগী লীলাসিদা অদুম হায়রমগনিনা।” মসিনা তাকপদি *ৱেটিং ফোর গোদোট* হায়বা লীলাসিদা ফজরিবসি চম্নহনবদুনি। লীলাসিগী থৱায়দি ‘গোদোট’ কনানো থিবদা নীংবা কায়না লোইহনবদুনি।

ঐনা ৱাফম খরা অসি পঞ্জরুরিবগী মরমদি রেবতিগী খোঞ্জেল লীলা মঙানা শেন্বা লীলাগী লাইরিক অসি পারুবদা ফাওরকপদুনি। তশেংবদি মণিপুরগী তোঙানবা রেডিও ষ্টেসন্না হৌখিবা চহীচাগী হুম্ফুগী মতুংদা হাংলকপদগী রেডিও লীলা থোক্লকপনি। মদুসু মতম অকক্নবা লৈবা পুং অমগী লীলা ওইগদবনি। অদুমক্না রেবতিগী লীলা মঙামক তেল্লি, অমখক নত্তনা। মাগী ৫শুবা লীলা ‘তুংগী লম্বীসু শেল্লম্লবনি’ হায়বা অসিমদি ষ্টেজ লীলা ওইনা শান্নবসু য়াগনি।

মপূংদা লীলা মঙামক লমদমসিগী থৌদোক ৱাথোক্তা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎলকপা লীলা ঙাক্তনি। লৈহাওসিগা চানরবা লীলা ঙাক্তনি। অহানবা ‘ঐগী ঈ কনানো’ হায়বা অসিদা অইবনা উৎপা পান্লিবসি ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা ইনখৎলক্লিবা শাবী-শানৌশিংনা লুহোংদ্রিঙৈদা য়ূম্বানবগী মরী থম্বা অসি ফত্তবা লীচৎ অমনি, খুদোংথীনিংঙাইনি হায়বদু উৎপনি। ওন্থোক্না ফজখ্রে। তেনখ্রবা পুং অমগী লীলা অসিদা শোয়খ্রবা খোঙথাং অমদগী তারক্লিবা পোল্লোই অদুদি ফজনা উৎপা ঙল্লে। ওন্থোক্নসু সসপেন্স লৈহনখ্রে। ঈগী খোঙ্গুল লীবদা অপাবশিংসু য়াওহনবা ঙল্লে। খোঞ্জেল লীলাদা ইফেক্ট কয়া হাপ্তুনা তাহল্লকপদা ওন্থোক্না ফজরমগনি খল্লি। ৱারীদি অসিনি, দেবিলালগা সীমাগা নুংশিনৈ। সীমানা লৈজবা পুন্বা কথোকখ্রে। অদুগা দেবিলালনা আইন তম্বা এলাহবাদতা চৎখ্রে। মৈচাক্না সীমানা পুহৌরে। অঙাং অমগী মমা ওইহৌরে। নৱা অদুনা তাইবঙ ফাওবগা সীমাদি তাইবঙ থাদোকখ্রে। অঙাং অসিগী লেম্না মাঙহনখিদে অইবনা। পুংফম অমত্তদা শিদৌখৈ ৱানা অঙাং উনবদা মচাদু শিনা পোক্লক্লবা কনাগুম্বী অমগী মচা ওইনা ডোক্তরনা শিন্নখ্রে। মতুং তারকপদনা ঈগী লান অমা। মমৈদা জর্জ ওইরবা দেবিলালগী কোর্ট অদুদা কেশ য়ৌরকখি। ৱারী তারুরগা সীমগী মিং পল্লকপদা অমদি অঙাংদুনা মমা সীমানা শীবিরম্বা খুদোপ অমদি লীক উরুরগা অঙাংদু মচানি হায়বা খঙলকখি। অদুবু ঈ মতুমদগী য়োক্লকপা মপা-মমাদুবু থাদোকখিদে অঙাং নুপাদুনা। দেবিলাল মচাগী মফমদা মায়থীখি। মসিনি ফজরিবা। অইবনা উৎলি মচৎ খঙদবা নুপীগী অৱাবা খঙদবা নুপাদি অদুম মায়থীবা তাবনি। ওন্থোক্না ডিক্টেটিব প্লেগী শাজৎ য়াওবা ফজবা খোঞ্জেল লীলা অমনি হায়নীংঙি।

মথঙদা অইবনা পুখৎলকই জাৎ তিন্নদবা মশেলগী লৌন-লৈনবগী অফ-ফত্তা নৈনবা লীলা অমা। মাগী ‘ঐ য়ু থকচরোই’ হায়বা লীলা অসিদনা লমদমসিদা চরৌ মৌরৌনবদা জাৎ খায়বা অসি পামজদবা উৎলি। লীলা অসিগী প্রোটাগোনিষ্ট ওইরিবী সপনা ওন্থোক্না থৌনা ফহল্লি। বামোন লৈশাবী অসিনা মপামক্তা হায়হল্লি, “ইপানাৎ ইপুনাৎ হায়দুনা মহৌশাগী চৎন-লোনচৎ অদু হৌজিকসু অদুম চৎথখিগদ্রনে পাবুং।” মসি হায়বদা নত্তে, মীতৈ পাখং মাগী নুংশিনজবা রাজো হায়বা অমদা চেনখি। অদুবু অমুকসু নুপানা নুপীবু মীনাইগুম লোয়নরিবা মচৎশিং অসিগী মায়োক্তসু অমুক সপনা লেপ্লুবা তাখি। মাগী নুপা রাজোগা মাগা য়ূম্বানবগী ৱাহন্থোক মান্নরমদ্রে। মতাংসিদা অইবনা অঙকপা ইমুং-মনুংগী দ্রামা শান্নহল্লি। ডাইলোগকী পাঙ্গল য়াম্না লৈহল্লি। য়ু থক্তুনা লৈবা মাগী নুপাদা অকনবা ৱা হায়বা ঙমহল্লি। নুপানা নুমিৎপু থানি হায়য়ু হায়রবসু হায়গদবা নুপী নত্তে হায়। সপনানা হায়, “অদুনি নঙনা খল্লিবসি নুপীসি শান্নপোৎনি, হংগী লাইগুম্বনি, পুনিংবা মায়কৈদা পুগনি, য়াদ্রগনা লংশেক্কে অসিনিনে। মদুদি ঐ খক য়ারোই।” মতমসিদা হেক হায়গদবা খোন্দানি। অদুবু হায়নবা য়ারক্ত্রবদা সপনা নোংমা য়ু ঙাওরগা হঞ্জিল্লকখি। মাগী নুপানা তৌখিবা ওৎ-নৈবা অদুমক য়ূমদা তৌরখি। মাগী নুপাবু চাক থোংঙু, ঈশিং পুরকউ, নৎত্রবদি উপু কাউখায়রগে হায়রকখি। মদুদতা রাজো লৌশিং লাকখি। “ঐ য়ু থকচরোই। য়ূম ওইনা পানমিন্নরসি।” হায়না মাগী নুপীদা থেমদুনা লোইশিনখি। পাউতাক ফজনা পীবা ফজবা লীলানি।

অহুমশুবদা ‘ইমৌদি লান্দেকো’ হায়বসিদনা মমৌনা ফনা ফজনা সেবা তৌরবসু মনেমদুনা শুকয়া য়াদবা লীলা অমনি। মচানুপাদু বেঙ্ককী ওফিসার ওইরবসু তাইশিনবা ঙমখিদে। অদুবু অইবনা মঙগী থিওরি অমগী মপান তাংদুনা মনেমদু ভাব তাহনখি। মমঙদা মমৌনা মাবু ওৎলম্বা, হাৎকে হায়বফাও তৌবা অকিবা মঙ অমা হেক মঙলুবদগী মমৌসু মীনি, মাসু মাগী হক লৈ, মাসু পেল্লক্ত্রবদি মনেমগী মথক্তা জাৎ-জাৎ তৌরকপা তাবনি হায়বা ৱাখল লাকখি। অদুনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবনা খ্বাইদগী ফবা য়ূম্বাল লম্বীনি খঙলক্তুনা মনেম্না মমৌবু লুনা তৌখি। মতাংসিদা অইবনা য়াম্না হ্যুমরস ওইনা লোইশিল্লি। ট্রেনিং চৎখিবা মচাদু মানা খনবগা ওন্না তৈনবা মওংদা মমাগা মাগী নুপীগা চান্নবা লৈরম্বদু উবদা অঙাওবা ওইশিন্নখি।

লাইরিক্কী মমিং পুরিবা লীলা ‘অশিবদো হিংলবকো’ হায়বা অসিদি দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিনবা লীলানি। অদুবু লীলাগী প্রজেন্টেসন্দা খরা নৌনা তাই। পোলোইদা ভাবোক্তা মেসেজ পীবগী মহুত্তা ফাগী ওইনা লোইশিনগে তৌই। লায়রবদগী উপাই লৈতদুনা নম্বর ফোর য়োনবা মতৈ-মনাওগী লীলানি। দ্রগ চাবদুনা মখোয়গী ময়ূমদা নম্বর ফোর কাপ্পদা ৱাম্থরক্তুনা শিবা তারবদা মখোয়না হাৎপনি হায়দনবা তুরেল মপান্দা থাংদোক্লুবনি। মখোঙদু ঈশিংদা য়ান্থহল্লগা ফরকপ্রা য়েংনবা। ফোর য়োনবা নুপাদুনা তোয়না তোয়না য়েংবা থোকই লোন্না শিরব্রা ফরব্রা হায়না। অহুল্লকশুবদা য়েংলুবদা লৈরমদগী ৱানি। মদুগী ৱাখলদা চরাংনদুনা লৈরিঙৈদা অয়ূক মাগী নুপীনা পোৎ লৈবা থোকপদা নুপাদু চা থক্তুনা লৈরম্বা থেংনবনি। অদুবু নম্বর ফোর ললোনবা নুপাদুনা মতুংদা অমুক মসি য়োল্লরোই হায়না লীলাগী পাউজেল পীরম্লগা লোইশিনখি।

অরোইবা লীলা ‘তুংগী লম্বীসু শেল্লম্লবনি’ হায়বা অসিসু ফজনা পুখৎলক্লগা পোলোই তাল্লকপদা মায়কৈ ওন্ননা চৎখিবা মানবা লীলা ওইনা তৌই। থবক ফংদবগী মৈশা লাংবা উৎলি। মশক ফজবী নুপী লৌরুবগী দশাসু উৎলি। ঙসিগী লমদমসিগী নুপীনা মপুরোইবা লংথোক্লম্লগা অতোপ্পা নুপাদা চেনখিবগী ৱাথোকসু উৎলি। নীংবা কায়রবা নুপাদুনা নহারোল য়াওখ্রগা লৈত-লায়রগী মতেং পাংবা ফজবা খোঙথাং উৎলকই। অদুবু লমচৎ নাইদবগী মাগী নুপীদু অমদি লমচৎ নাইদবা মাগী মরুপ অদু পাড়া তম্বীবা, নৎত্রগা লমন খুন্বা নৎত্রগা পূন্না শেংদোক্লবগী লীলা তারক্কদ্রা ঙাইবনি অদুবু য়াম্না চম্না নুপাদু মাগী য়েক্লবা মরুপ ও সি অদুদা চঙজরগা লোইশিনখি অঙাং অনী কন্নবা হোৎনবদা। অয়েংবা, অতাবা ভাবোক্না ‘অস’ হায়গদবা পোলোইনি। অদুবু মীনুংশিনা অথোইবনি হায়বদু ফাওবদি উৎপা ঙল্লে।

লোইশিল্লকপদা অইবদা ৱাফম অমত্তংদি হায়নীংঙি মদুদি, খোঞ্জেল লীলাগী খ্বাইদগী মরু ওইবসি ৱাহৈনি। শক উদনা ৱাহৈনা লমচৎ পূম্বগী মশক তাক্কদৌরিবনি। অদুনা ৱাহৈগী ফজবা ফজদবা খন্দোক্কদবা খরা লৈরি লীলাশিংসি। অদুগা লাইরিক ওইরকপদনা প্রুব তৌহৌদবগী অশোয়বা কয়া লৈবা থেংনৈ। মথঙগী এদিসন্দা হেন্না মওং তাহল্লক্কনি খল্লি।○

# চিঠি

## ধুমকেতু

**ৱাউথাংনরবা** অতিয়াদা নোংঙাল্লমদাইগী থৱানমিচাকশিং মমি শামদ্রি। নুংঙাইরবা নীংশিংবনা মনাক নকপা পুন্সি অমবু ময়েক শেংনা উহল্লকপগুম। চহীনা লুমথরবা অহল অমনা মাগী অচোনবা ফুরিৎতু অমুক অমুক চিংশিল্লদুনা চীক চীক লাউনা ইৎলবা নুংশিৎতগী মশাবু কন্নবা লান্থেংনরদুনা সহরসিগী ময়ায় ফাওদুনা চৎলি। চাইথোক্না তারিবা কনাগুম্বগী য়ূমশিংদগী চক্তকপগী মখোল তারি অদুগা নুপীশিংনা শকপা অঙনবা অয়ূক্কী থবক্কী তাম্থা ঈশৈসু তারি। অসিগুম্বা খোঞ্জেলশিং অসিনা মহাক্কী নাইতোম তাবদুবু শাফহল্লি। হূইনা মরক মরক্তা খোংবা, অরাপ্পদা অঙনবদা থবক শুবা চৎপা মীওইশিংগী খোঙথাং মখোল, মতম কায়না খোংলকপা অঙনবা উচেক্কী খোঞ্জেলশিং খরা নত্তনা সহর অসি অচীকপগী মতম্বাক্তা তূমখুন হুল্লি হায়বা য়াই। সহরসিদা খুন্দারিবশিং পূম্বা নিদ্রাগী মতম্বাক্তা য়াতারি হায়বা য়াই। ইৎবসিনা থৌইনশিন ওইদুনা হেন্না পামজনা তূপ্লিবা মওংনি।

অহল ওইরবা নীপাদু মশা তনিক্লবসু মাগী পান্দম্না মাঙওইননা মখা তানা সহরগী গেৎতু লান্থোক্তুনা চুম্না চৎখ্রিবা লম্বী অদোমদা চৎলম্মী। করিননো মহাক হৌজিক খোঙথাংদু তপথরক্তুনা মাগী মহাক্তুম অহল ওইরবা চৈশুদুদা ঙাকলৌ পীরদুনা চৎলক্লে।

মাঙদা লৈরিবা বিল্ডিংগী উগী য়ূম্বীশিংদু উবদা লমকোয়বা যাত্রিকশিংনা মখোয়গী পন্থুং য়ৌবগুম মহাক হরাওজরম্মী। অদুগুম্বা উগী য়ূম্বীশিং অদুগী অমদা, মল্লবা বোর্দ অমদা “পোষ্ট ওফিস” হায়দুনা চাউনা থারি। অহলদু থুনমক চঙখিদুনা বিল্ডিং অদুগী মাঙ্গোল কাখৎখ্রে। মী অনী অহুম মখোয়গী মথৌ তৌরিবদুগী মীনিলদু মপান্দগী নাশোন্ননা তাবা ফংই।

“পুলিস সুপরিন্টেন্দেন্ট” মনুংদগী হৌরবা খোঞ্জেল অমা লাকই। অহল অদু খোঞ্জেল অদু তাবদা খংপ্রেক খংলম্মী। অদুবু মশাবু মতোমতা ফাথজরম্মী। অদুগা মখা তানা ঙাইথরম্মী। মহাক্কী পামজবা অমসুং থাজবনা মশাবু শাগৎহন্দুনা চিক চিক লাউনা ইৎখ্রবদু ফাওরমদবা য়াই।

মিং অমগী মথংদা অমা, চিঠিদা ইরিবা লৈফম্নচিংবা অদু ক্লার্ক অদুনা পাথরি। অদুগা চিঠিশিংদু পুগদবগী ঙাইরিবা পিয়নশিং অদুদা মাগী মাগী লংথোকখ্রি। কুইনা শীজিন্নরকপগী খূৎলোইরবনা মিংশিংদু থুনা পাবা ঙল্লে- কমিস্নর, সুপরিন্টেন্দেন্ট, দিৱান সাহেব, লাইব্রেরিয়ান অদুগা চিঠিশিংদু মাগী মাগী নাকলদা লংখ্রি।

অসিগুম্বা চথরিবসিগী মরক্তা মনুংদগী ফাগী তৌদুনা অহলদুবু লক্লদুনা কৌরক্লি, “কোচমেন অলি”।

অহলদু খংপ্রেক খংনা হৌগৎলকই, নুংঙাইবা হরাওবনা মমিৎ মনা চপ য়ুংখৎতুনা মথক্লোমদা য়েংদুনা মাঙলোমদা চঙশিল্লকই, মাগী মখূৎনা থোঙবাদা পায়রদুনা হায়রকই।

“গোদুল ভাই!”

“হাঁ, কনানো?”

“হৌজিক কৌখিবদু কোচমেন অলি হায়বা নৎত্রা? ঐ’সিদা লৈজরে। ঐ ঐগী চিঠিদু লৌবা লাকচরিবনি।”

“মসি অঙাওবনি, সার, মাগী চিঠি য়াওরিব্রা হায়না নুংতিগী ঐখোয়দা হংলগনি।” ক্লার্ক অদুনা পোষ্টমাষ্টরদুদা ওনশিন্দুনা অহলদুবু মশক তাক্লম্মী।

অহল ওইরবা নীপাদু ৱাফমসি তাবদা তপ্না নীংবা কায়না হন্দোক্তুনা মহাক্না চহী মঙা চুপ্না ফমফম ওইরক্লবা ফানশাংদুদা ফমথখ্রে।

অলি মতম অমদা হৈ শিংলবা শাদানবা অমা ওইরম্বনি। শাদানবদা মহাক্না হৈশিংলি মতিক, মসিবু পামজবসু হেনগৎলক্লম্মী। কাইনথংদদি নোংমতং শাদানবা চৎহৌদ্রবদি লেনবা ঙমশিল্লক্ত্রে। বিড়িদা লাইচূরবা মীনা বিড়ি লৈতবা মতমদা মতেক অমত্তং ফংলবদি খনবদু ঙায়খ্রে। অতোপ্পা মীৎশিংনা উবা খরা ৱাগদবা লৈবাক মচুগী ৱাউথাংলবা উরেন্বী হায়বা উচেক্তু অলিগী মীৎয়েংদগীদি নান্থোকপা খক ঙল্লমদে। অসুম্না হায়নৈ অলিনবু উখ্রবদি অদুগুম্বা উচেক্তু মাগী খাউদা য়াওরবগুম্বনি। মাগী থৌরবা মীৎকী মমাঙদদি থেবশিংনা পাকথদুনা লোৎলিবদু অরেম্বনি। শিকার ওইবশিংগী শিংলবা মমীৎতগীফাওবা নমথাক তৌদুনা উবদা ৱারবা লৈবাক মচুগী ৱাউথাংনবা, নাপীশিংগী মরক্তা লোৎলিবা থেবদু অলিগী লংজাগী থৌরবা মীৎতগীদি নান্থোকপা য়ারোই। পীকখ্রবা মনাদু খপ্পফাওবা উগনি অদুগা তানবা মীকুপ্তা শিদুনা তাগনি। অসিদসু নত্তনা ইতৎ তৎতনা মাগী ঙাফাবা মরুপ-মপাংশিংগসু ঙা ফাবা মরক মরক্তা চৎকনি।

অদুবু মাগী পুন্সিগী নুমিদাংৱাইরম ওইরক্লবদা মহাক্কী হান্নগী হৈনবী পূম্বা থাদোকখ্রে। অদুগা খঙহৌদনা অনৌবা পুন্সিগী মহিং অমদা লেনখ্রে। মাগী অমত্তা ঙাইজবী মচানুপী মেরিয়ম লুহোংখ্রবদা মাবু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মহাক্তু মাগী মপুরোইবা সিফোয় অদুগা লোয়ননা মাগী লৈফম রেজিমেন্ট অদুনা লৈরিবা পঞ্জাবতা চৎখ্রে। থংনবা চহী মঙা চুপ্না মচানুপীদগী মৱা মপাউ অমত্তা তারক্ত্রি। মসিনা মঙোন্দদি নাইতোম লৈবগী চৈথেং অমা পীররে। হৌজিক্তা মঙোন্দা মচাবু নুংশিবগী, কায়নবগী অৱাবদু ময়েক শেংনা থুংলরে। হৌজিক্তি মঙোন্দা শান্না খোৎনরম্বা, শাদানবা অমসুং মচা কায়নরবা উরেন্বী মচাশিং ঙাওদুনা পাইবদু উরগা নুংঙাইবা ফাওবা ঙল্লক্ত্রে।

মাগী শীংলি-নাওরিদা শাদানবা, শা হাৎপগী ঈচেলনা লৈরবসু মাগী মচানুপীগা কায়নখিবদগী নাইতোম তাহল্লবা পুন্সিগী মওংসিনা হৌজিক্তি মাগী শান্না খোৎনবগী হৈনিং শীংনিংবা, অশংবা লৌবুক লমহাংশিংদা কোয়নিংবগী অপান্নদু মমি শামখ্রে। মসিনা মাগী ৱাখলদা অসুক্কী মতিক মমি তাহনখ্রে। অদুনা সংসার হায়বসিদি নুংশিবা হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শেমগৎপা অদুগা খায়নবা কায়নবা হায়বসিদগীসু নান্থোক্তুনা চেনবা য়াদবা অমনি হায়না লেপ্লে। অসুম্না খল্লুবদা মহাক্না উখা অমদা ফমদুনা মতোমতা পেন্না কপচরম্মী। হায়রিবা নুমিৎসিদগী মহাক অয়ূক ঙন্না পুং মরিদা হৌগৎলম্মী, পোষ্ট ওফিসতা চৎনবা। অদুবু ঙসি ফাওবা চিঠি অমত্তা মাগী মফমদা থুংলখিদ্রি। অদুবু ঙসি তান চানদুনা চিঠি অমত্তং ফংবা য়াই হয়বগী আশাদা লাক্লি। থাজবদা য়ূম্ফম ওইদুনা মহাক চোকথবা নাইদনা ঙাইরক্লি। অদুগা খ্বাইদগী ঙন্না পোষ্ট ওফিসতা থুংলবা মীসু ওইরক্লি।

পোষ্ট ওফিস হায়বা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না তুফক তুফাই চনবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মফমসি মঙোন্দদি লাইফম অমগুম খল্লি। মতম পূম্বদা মহাক বিল্ডিং অসিগী মাঙ্গোলগী কাচিলদা লৈরিবা অকক্নবা ফম্ফমসিদা নুংতিগী ফল্লনি। মাগী অসিগুম্বা হৈনবীসি মমৈদা অতৈ মীওইশিংনা অসুম খঙলকপদগী মাবু অঙাওবগুম নোক্নরকখিবনি। পোষ্টমেন অদুনসু মাবু তত্তনা শান্নরম্মী। মহাক্কী চিঠি সুকয়াও য়াওদ্রবসু মাগী মমিংদু লক্নদুনা কৌগনি, মদুদা মহাক খঙহৌদনা হৌগৎতুনা থোঙলোমদা হোৎচিল্লকপদু য়েংদুনা নুংঙাইগনি অদুবু মাদি মপান নাইদবা থাজবা অমসুং লোইনাইদবা অখাঙ কনবগা লোয়ননা নুংতিগী লাক্কনি অদুগা মখূৎ হাঙনা হনখিনি।

অলিনা ফমদুনা মাগী চিঠি ঙাইরিঙৈ অতোপ্পা মফম কয়াদগী মীওই কয়া মখোয় মখোয়গী ফার্মশিংগী চিঠিশিং লৌবা লাক্কনি অদুগা মখোয় মখোয়গী মাষ্টরশিংগী মরমদা, থৌদোক কয়ামরুমগী ৱারী শাগনি। মশা ওইরিবা,অনানবা অরুবা কোকয়েৎশিং য়েৎপা, য়োৎপী থিনগৎলক্তুনা নাবা ফাওরবা খোঙউপশিং তোংবা মশা খীংবা পিওনশিংদু মশা মশাগী অনীংবা ফোঙদোকহৌনবা খোয়রাংনৈ। পোষ্ট ওফিসকী থোঙদু হাংদোক্তুনা মনুংদা য়েংলুরবদি পোষ্ট মাষ্টরদু মাইরেল ফমপ্রেক্কী মতৌগুম লেঙদনা খিন্দুনা ফল্লিবদু উগনি। মহাক্কী ফীভমদু অহিংবা অমগী মতৌ য়াওদনা খিন্দুনা লৈরি। অসিগুম্বা শাদাসি খুঙ্গংগী পোষ্ট মাষ্টরগুম্বা ওফিসকী ক্লার্ককুম্বা নৎত্রগা পোষ্ট মাষ্টরগুম্বা ওইগদবা শাদামক্লি।

নোংমসু মহাক মহৌশাগুম মফমদুদা লাক্লম্মী অদুগা ওফিসকী থোঙদু হাংদোক্লবা ফাওবা মহাক মহাক্না হেক হেক ফম্বা মফমদুদা লেঙদনা ফমদুনা লৈরম্মী।

“পুলিস কমিস্নার” ক্লার্কতুনা কৌরকই। চিঠিশিংদু নহা ওইরিবা নহা অমনা চঙলক্তুনা লৌরম্মী।

“সুপরিন্টেন্দেন্ট!” অতোপ্পা পিওন অমমুক চঙলক্লম্মী, অদুদগীদি ক্লার্ক অদুনা বিষ্ণুনুগী লাইশোনগুম মহৌশাগুম মিং পরেংশিংদু পাবা চত্থরম্মী।

মমৈথংদা মখোয় পূম্বা মথং মথং চৎনখ্রে। অলিসু তপ্না হৌগৎলক্লে, অদুগা পোষ্ট ওফিস অদুবু করিগুম্বা মমল য়াল্লবা পোৎ অমা চহী চা কয়া লাৎতুনা থম্লক্লিবগুম সলাম তৌরম্লগা নুংশিনিঙাই ফীভম অমা পুরগা চৎখ্রে।

“মসিগী নিপাসি, পোষ্ট মাষ্টর হংলকই, “অসিবু অঙাওবরা?”

“কনাবুনো সার? আ-হোয়” ক্লার্কতুনা খুল্লকই। “নোংজু নুংশাগী ফীভম ওইনিংবা ওইসনু মহাক মফমসিদা চহী মঙারোমসি নুংতিগী লেপ্তুনা লাক্কনি, অদুবু ঙসি মহাক মফমসিদা চিঠি অমত্তসু লাক্ত্রি।”

“মহাক নুংতিগী লাকই হায়বদুবুদি ঐসু অসিদা লাকঙৈদগী খঙলে, অদুবু কনানা মঙোন্দা নুংতিগী চিঠি ইবিরক্লবা মতম লৈগদগেনে?”

“খঙদে সার, অদুবু মাসি থম্মোয় শোক্লবদি মাল্লি। মাগী ঙল্লিঙৈ পুন্সিদা পাপ কয়া লংশিল্লুবা মাল্লি। করিগুম্বা লাইফম তিনফমদা ঈ-নাই তাহল্লুবগী প্রাইচিৎ হৌজিক ফংলিবা ওইবসু য়াই।” ক্লার্ক অদুনা মশামক্কী ৱাফমদু শৌগৎতুনা হায়রম্মী।

মখা লমায় ৭ তা ...